**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি সৈনিক স্কুল ইম্ফালদা চত্তুনা স্কুলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। তুংগী যুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

২) নুমিৎ নিনি চত্থরকপা নাগা ফুরুপকী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ লুই-ঙাই-নি ঙসি লোইশিল্লগনি। লোইশিনবগী থৌরমদা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিও শরুক য়াখি।

৩) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী শেম্বগী থবক মপুং ফানা চত্থরি।

৪) অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেল মনুংদা শাগদবা লৈবাক অসিগী অহানবা টৱিন ট্যুব রোড কম রেল টনেল প্রোজেক্ট পায়খৎপদা কেন্দ্রনা অয়াবা পীখ্রে।
অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অরবান চেলেঞ্জ ফন্দ ওইনা লুপা কোতি লাখ ১ কাইথোকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি সৈনিক স্কুল ইম্ফালদা চত্তুনা স্কুলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মহাকা স্কুল অদুদা হেক থুংলবগা খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- এল. শুশিন্দ্রো মৈতৈ অমসুং সৈনিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল

কর্নেল এ. রাজিভনা তরামা ওকখি। থৌরম অদুদা কর্নেল এ. রাজিভনা স্কুল অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি। স্কুল অসিদা ঈশিংগী খুদোংচাবা ফংদবা, স্কুলগী অকোইবদা ৱাল ফেন্সিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা, নুপীগী হোষ্টেল শানবা পন্থদুনা লৈরিবা থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং মুখ্য মন্ত্রিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিদা থবক পায়খৎনবা খঙহনগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। শ্রী খেমচান্দনা হায়- মহৈরোই হায়বসি সমাজ অসিগী যুন্বী ওইবনা মখোয়দা অহেনবা মীৎয়েং চংবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। স্কুল এদমিনিষ্ট্রেসন্না স্কুল অসিগী মগুন ঙাক্তুনা থমবা অমদি থকশি খাসি খঙবা, মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনরিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

তুংদা, খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা স্কুল অদুগী শেমজিন শাজিনবা দরকার ওইরিবশিং অদু চত্তুনা য়েংশিনখি। মহাকা এলুমনাই এসোসিয়েসন, ষ্টাফ অমদি মহৈরোইশিংগসু উন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পরিক্ষা পে চরচাগী ৯ শুবা ইদিসনদা শরুক য়াদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নখিবা মেমোতা কৈশামগসু উন্নখি।

লুই ঙাই নি (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চথুরকপা নাগা ফুরুপকী মরু মরাং হুনবগী কুম্হৈ লুই-ঙাই-নি ঙসি লোইশিল্লগনি। ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন দুনা মহৌশাদগী চৎনরকপা মওংদা কুম্হৈ অসি উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা নাৎকী চৎনবীগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং এন.পি.এফকী লুচিংবা নৈফিউ রিওনা হায়- লুই ঙাই নি অসি শুপগী সংস্কৃতিগী ওইবা কুম্হৈ অমা নত্তে, মসি হান্না করি ওইরম্মী অমদি হৌজিকা করি ওইরি হায়বদু হন্না য়েংশিন্নবগী থৌরম অমনি। মহাকা হায়- ঐখোয়না মরু মরাং হুনবা খক্তা নত্তনা য়ুনিতি, ৱিজদম অমসুং রেস্পোন্সিবিলিতিগী মরুসু হুন্নবা হোৎনগদবনি। ইমোসনেল ইন্তিগ্রেসন অমসুং সমাজিক অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা অপুনবগী শক্তম

শাগৎপা হায়বসি ঐখোয়বু শক্তি লৈহন্নবগী মরুওইবা য়ুম্ফমনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়- নাগা হায়বা জাতি অসি শান্তি পামজবা জাতি কাংলুপনি। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা নাগাশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। লুই ঙাই নি কুম্মৈদা এন.পি.এফকী লুচিংবা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা শরুক য়াবা অসিনা কুম্মৈ অসিবু হেন্না মতিক মগুন লৈহল্লে।

তেংনৌপল (এল)ঃ কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন, হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন অমসুং ইম্প্রুভমেন্ট পরিক্ষাগী য়েংলগা তেংনৌপল জিলাগী পরিক্ষা সেন্তরশিংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট তেংনৌপলনা বি.এন.এস.এসকী মখাদা অথিংবা থল্লে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সৌরব যাদবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ক্লাস টেন, এলেভেন অমসুং ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা সেন্তরশিংদা হয়েংদগী হৌরগা এপ্রিলগী তাং ৪ গী ফাওবা পরিক্ষা নুমিৎশিংদা অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পরিক্ষা সেন্তরগী মিতর ২০০ না কোনবা মফমশিংদা মী চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংলে। পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক চেকশিন থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

নীংশিংবা য়াই, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌরগা মার্চকী তাং ২০ ফাওবা চত্থগনি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষানা থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা মার্চ ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ আর.এস.এসকী ফ্রন্তেল ওর্গনাইজেসন, বিশ্বা হিন্দু পরিষদনা শিন্দুনা হিন্দুনা সমেলন ঙসি নিংথৌখোং রাধা মাধব মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কেবিনেট মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- সমেলন অসি তোঙান তোঙানবা মফম ৭২ দা থা অসিগী

মনুংদা পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অসি আর.এস.এসকী চহি ১০০ শুবগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা শিনবনি।

ইবোমচা (এল): রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী শেম্বগী থবক মপুং ফানা চথুরি।

নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) ময়াই লম্বীগী পরিংগী ৱাহেংবম লৈকাইদগী ককচিং লমখাই সেক্সন ফাওবগী লম্বী পরিং শেম্বগী থবক মপুং ফানা চথুরি। মসিগী মথক্তা গ্রেতর ইম্ফালগী লম্বীশিংদা রিজিদ পেভমেন্ট থাবগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী নাপেৎ পল্লিদগী থৌবাল ডাম তাবা ফাওবগী লম্বী থা অসিগী মনুংদা শেম্বা হৌরগনি হায়না লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোংবানতাবম ইবোমচানা হায়রি।

কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা থাংজিংপোকপী ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখিবা লই-ঙাই-নি ফেষ্টিভেলদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী ইবোমচানা হায়- লম্লাই কেন্দ্র অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ফাওনবগী য়ামা মরুওইবা লম্বী অমসু ওইরিবা লম্বী অসি শেমনবগীদমক লুপা কোতি ৪৮ কাইথোক্লে। মসিগী টেন্দর তৌবনচিংবা দরকার লৈবা থবকশিং লোইরে। মরম অদুনা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা লম্বী অসি নিংথিনা শেমজিনবা হৌরগনি। লুই-ঙাই-নি কুম্মৈনা, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা, শান্তি লৈবা অমদি চাওখৎপা লমদম অমা ওইরসনু।

ককচিং লম্বী (এল): ইন্দো-বরমা শুগনু রোড ষ্টেট হাইৱেগী ৱাবগাই লমখায়দগী শুগনু ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক এম.এল.এ- ডাঃ য়ুমাম রাধেশ্যামনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এনা হায়- মতম কুইনা শেম্বীরক্ত্রবা ৱাবগাই লমখায়দগী শুগনু-সেরৌ অমদি অতৈ মফম য়ৌগদবা লম্বী অসি সরকারগী শেল থুমগী ফিভম ফৎত্রবসু মীয়ামগী য়েংলগা লম্বী অসি শেম্বা হৌবনি। মহাকা হায়- লম্বী শেম্বা মতমদা

কন্ত্রেক্তরশিংনা মীয়ামগী খল্লগা ক্বালিতি লৈনা শেন্বীনবসু আপীল তৌরি।

ককচিং (এল)ঃ শকাইরবা অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী মপোক কুমওন ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। লাইশ্রম সমরেন্দ্র বার্থ সেন্তিনারি সেলেব্রেসন কমিতিনা সহিত্য সেবা সমিতি ককচিং, মচা চনু ককচিং অমদি ইরমদম খোর্জৈ অপুনবা লুপ হিয়াংলম ৱাবগাইনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা অইবা অসিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

সাইকল (এল)ঃ সমাজ অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মশা মউ ফনা থমবগী পান্দমদা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা লেপ্তুনা চথ্থরকপা সনডে ওন সাইকল ঙসি সাই এস.টি.সি খুমন লম্পাক ইম্ফাল অমসুং দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার ক্ষেত্রিময়ুম বিরবল সিংহনা লমথাখি। থৌরম অদুদা মহৈরোই ১০০ রোমা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎলবা মতুং দি.এম. কলেজদা পন্থুংফম ওইখি।

কোওপরেতিভ (এল)ঃ মণিপুর এপেক্স কোওপরেতিভ মার্কেতিং সোসাইতি লিমিতেদকী বোর্দ ওফ দাইরেক্তরগী মীখল মথং থাগী ২ দা পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩ নি, স্ক্রুতিনিনা মথংগী নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। নোমিনেসন পেপর অমসুং মীখলগী অকুপ্পা মরোল রিটর্নিং ওফিসারগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি।

পান্থোইবী (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা নুমিৎ হুমি চুপা চথ্থরকপা এসিয়া-পেসিফিক য়ুনিয়ন ফোর হাউজিং ফাইনান্সকী মালেম থাক্কী মীফমদা ইম্ফালগী ডরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স

কম্পনি লিমিতেদকী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর থোকচোম হেমো শরুক য়াখ্রে।

এসিয়া-পেসিফিক য়ুনিয়ন ফোর হাউজিং ফাইনান্স অমসুং নেসনেল হাউজিং বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অনিনা শিন্দুনা পাঙথোকপা মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি ওইরিবা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিতেদকী চেয়ারমেন থোকচোম হেমোদা বার্তন তৌরকপদগী মীফম অসিদা শরুক য়ারুবনি। মীফম অদুদা শেল য়ামা চংহন্দবা মওংদা এসিয়া-পেসিফিক লমদমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা য়ুম শানবগী থৌশিল থৌরাংশিং পুথোকবা খন্নখি হায়রি।

অসাম ঃ অসামগী ব্রহ্মপুত্র তুরেল ঈশিং মনুংদা শাগদবা লৈবাক অসিগী অহানবা টৱিন ট্যুব রোড কম রেল টনেল প্রোজেক্ট পায়খৎপদা কেন্দ্রনা অয়াবা পীখ্রে। কিলোমিতর ৩৩ মিতর ৭০০ লোম শাংগদবা লেন মরি লৈগদবা গ্রিন ফিল্ড কন্নেক্তিভিতি প্রোজেক্ট অসিদা তুরেল অসিগী মখাদা কিলোমিতর ১৫ মিতর ৭৯ শাংবা টৱিন ট্যুব টেনেলসু য়াওরি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফ্যারসনা অয়াবা পীখ্রে।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর পোজেক্ট অসি ইঞ্জিনিয়ারিং প্রোকুয়োরমেন্ট কন্সট্রক্সন (ই.পি.সি) মোদতা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৬২ চংনা পায়খৎকদবনি। মসিনা অসামগী নেসনেল হাইৱে-১৫ গী ঘোপুর অমসুং নেসনেল হাইৱে-৭১৫ গী নুমালিঘর শমহল্লিবা কিলোমিতর ২৪০ অসি প্রোজেক্ট অসি লোইরবদি কিলোমিতর ৩৪ দা তেনশিল্লগনি। সহর অনি অসি ফাওনবদা পুং ৬ চংলম্বা অদু মিনিত ২০ হন্থরগনি। প্রোজেক্ট অসিনা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং অৱাং নোংপোক্কী অতৈ রাজ্যশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। প্রোজেক্ট অসিনা মীওই লাখ ৮০ রোমদা থবক পীরবা য়াই।

কেবিনেট কমিতিনা রেলৱে, লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং কন্নেক্তিভিতিগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অয়াবা পীখি। কেবিনেটনা দিল্লি, হরিয়ানা, মহারাষ্ট্র অমসুং করনাতক্কী জিলা ১২ কোনশিনগদবা রেলৱে

প্রোজেক্টশিংসু অয়াবা পীখি। মল্টি ট্রেক্কিং প্রোজেক্ট অসিনা খুঙ্গং লিশিং ৩,৯০২ গী মীওই লাখ ৯৭ লোম লন্বী থোংগী খুদোংচাবা পীরগনি।

পিএম ঃ  কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অরবান চেলেঞ্জ ফন্দ ওইনা লুপা কোতি লাখ ১ কাইথোকপদা অয়াবা পীখিবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- ফন্দ অসিনা সহরগী লমদা মগুন লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসিনা সহরশিংবু লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌহনবসু ঙম্লগনি।

কেন্দ্রগী হোম অমসুং অরবান এফ্যারস মন্ত্রালয়গী মখাদা কেন্দ্রনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অরবান চেলেঞ্জ ফন্দ (য়ু.সি.এফ) অসি শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তগী শেনবা চহি ২০৩০-৩১ ফাওবা চৎনগনি। মসিনা লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা অরবান সেক্তরদা লুপা কোতি লাখ ৪ থাদগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- আর.সি.এ লিলোংনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা- ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা রেজ খ্বাই নাগামপালবু ৱিকেট মরিদা অমসুং ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা ক্রাউ খমাম বজারবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- থোকচোম জ্বেল্লরি খাঙবোকনা দাফিয়া লিলোং য়াংবীবু রন মরিদা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এম.কে.এস চীংমৈরোংনা অলফা টু খাঙবোকপু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি কোংবুনা রেজ নাগামপালবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.য়ু.এস.ভি.সি শগোলবন্দনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

ফুটবোল ঃ দি.এফ.এ থৌবালনা শিন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম থৌবালদা চথুরিবা মঙাসুবা এল. মেমচা দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- য়াইরিপোক এফ.সি অমসুং সাইলো তেকচম মায় পাকখ্রে।

ফুটবোল ঃ অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ময়াং ইম্ফাল খুমন লৈপাক অমসুং এন.জি.এল. লৌরেম্বম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল ঃ এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংনা শিন্দুনা চথুরিবা ৬ শুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ঐচ.এফ.সি উচিৱানা লৌরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ঐচ.এফ.সিনা এরো এফ.সি ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ মিনুথোং হত্তা গোলাপতি এথলেতিক য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা চথুরকখিবা অহুমসুবা ষ্টেট লেবেল অন্দর ফোরতিন ফুটবোল তুরনামেন্ট এম.ঐচ.জি.এ.য়ু (মগাউ) এফ.সি. মনা ইংখোলনা লৌরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম.ঐচ.জি.এ.য়ু (মগাউ) এফ.সি. মনা ইংখোলনা সালা এফ.সি কৈরাউবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

মাষ্টর (এল)ঃ  রাজস্থানগী আজমিরদা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা নেসনেল মাষ্টরস এথলেতিক চেম্পিয়নসিপতা মনা লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং ঙসি খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেলদা ওকখ্রে।

স্পোর্টস (এল)ঃ মরিসুবা চিত্তা মোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ হয়েংদগী ইম্ফাল মপাল কাংজৈংবুদা হৌরগনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা তুরনামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা প্রোফেসার চুংখাম শিলা রমনিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি।

------